সনালৈবাক স্পোর্টস
IMPHAL,SUNDAY, OCTOBER 30, 2016 **PAGE 7**



ইম্ফালগী জি এম হোলদা মণিপুর অমেচর বোদি বিল্ডর এসোসিয়েসন্না শীন্দুনা পাংথোকখিবা ৭ শুবা মিষ্টর কাংলৈবাক ২০১৬ ঙসি বোদি বিল্ডরশিংনা মখোয়গী মখোয়গী কেতেগোরিশিংগী কন্টেষ্টতা পোস তৌখিবা

২ শুবা মণিপুর ওপন চেছ টুর্নামেন্ট

প্রেমজিৎনা পোইন্ট ৭.৫ ফঙদুনা টেবলগী মকোক্তা লেংদনা লৈরি

চেম্পিয়নসিপ অসিগী ঙসি শান্নখিবা ওপন কেতেগোরি (য়েৎ) অমদি চহি ১৫ মখাগী কেতেগোরি (ওই) শক্তমশিং

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৯ ঃ

মণিপুর চেছ এসোসিয়েসন্না শীন্দুনা খুমন লম্পাক কাংশঙদা চৎথরক্লিবা অনীশুবা মণিপুর ওপন চেছ টুর্নামেন্টকী ওপন কেতেগোরিগী ঙসি নিপালশুবা রাউন্দ লোইশিনখিবগা লোয়ননা এস প্রেমজিৎ পোইন্ট ৭.৫ ফঙদুনা টেবলগী মকোক্তা লেংদনা লৈবা ঙমখ্রে।

অদুগা কে ঐচ সঞ্জয়না পোইন্ট ৭ ফঙদুনা অনীশুবা মফমদা অমসুং ঐচ জেকিনা পোইন্ট ৬.৫ ফঙদুনা টেবলগী অহুমশুবা মফমদা লৈবা ঙমখ্রে।

অতোপ্পা শান্নরোই মরি জি ইনাও শর্ম্মা, এন সন্তি, এ বিনেট অমসুং মেলেসায়ি দাৰৌ পোইন্ট ৬ / ৬ ফঙদুনা মরিশুবা মফমদা লৈরি।

টুর্নামেন্ট অসিগী চহি ১৫ মখাগী কেতেগোরিগীদা ঙসি মরিশুবা রাউন্দ লোইশিনখিবগা লোয়ননা ৰাই য়াইসনা দেবী পোইন্ট ৩.৫ ফঙদুনা টেবলগী মকোক্তা লৈবা ঙমখ্রে।

অদুগা শান্নরোই অহুম মেলসন য়ুম্নাম, কে এস ঐচ এমসন অমদি টি ঐচ জোনি মঙাংনা পোইন্ট ৩ /৩ ফঙদুনা টেবলগী অনীশুবা মফমদা লৈখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ওপন কেতেগোরিগী ৮ শুবা রাউন্দগী ঙসি শান্নখিবা এস প্রেমজিৎনা এন লালগোপাল শর্ম্মাবু মায়থিবা পীখি।

প্রেমজিৎনা ৭ শুবা রাউন্দগী ঙসি অয়ুক শান্নখিবদসু সেবসন কৈশিংবু মায়থিবা পীখি।

অতোপ্পা ৮ শুবা রাউন্দগী তোঙান তোঙান্বা টেবলদা শান্নখিবা কে ঐচ সঞ্জয়না ই সসিকান্তা, ঐচ জেকিনা এন বঙ্কিম, জি ইনাওনা এ ফোলেন, এন সন্তিনা সেবসন কৈশিং, এ বিনেটনা ঐচ মণিপুর, মেলেসায়িনা এস ধনাচন্দ্র, এন রজেশ্বরনা এস গুদচা অমসুং রোনাল্ড শোইবম্মা কে পোইরৈ খোম্বা মায়থিবা পীখ্রে।

অতোপ্পা শান্নরোই ২১ না ৮ শুবা রাউন্দগী মেটচশিংদা মায় পাকপা ঙমখি। মায় পাকখ্রবা শান্নরোইশিং অদুদি সেক্সপিয়র এন ৰাই শঙ্কর, টি সোমোরেন্দ্রো, ঐচ সোমোকান্তা, এ জিবন, রোজর ঐচ, কে মৈরাজাও, এস রোলেস, টি ঐচ হরিদেব, টি ঐচ রোন্সন, টি ঐচ জুগেশ্বর, বিট ইরোম, এম পিশক, এম শ্যামকেশ্বর, এ শ্যামকেশ্বর, এন তোলপিশক, এল য়েমেন, এ হরিমোহোন, এম রানা, ৰাই চিঙ্খোঙান্বা অমদি ঐচ মুবনি।

অতোপ্পা টুর্নামেন্ট অসিগী চহি ১৫ মখাগী ঙসি মরিশুবা রাউন্দগী মেটচশিংদা ৰাইসনানা মেলসন, এমসন্না আই নোবেল মৈতৈ, জোনি মঙাংনা নুংশিথোই এন জি, পি ঐচ রঞ্জিৎনা লালহৈবা লোইতোংবম অমসুং জি এ এরোসমিটনা লাণচেনবী এন জি মায়থিবা পীখি। অদুগা কোনালিকা য়ুম্নাম্মা বাই ফঙদুনা মায় পাকপা ঙমখি।

হয়েং কেতেগোরি অনীমক্কী মেটচশিং লৈরোই অদুগা ওক্টোবর ৩১ গী অয়ুক পুং ৯ দগী কেতেগোরি অনীমক্কী ফাইনেল রাউন্দ মেটচশিং শান্নগনি অদুগা নুংথিল পুং ২ দনা ক্লোজিং সেরিমোনি পাংথোক্কনি।

অহানবা ষ্টেট লেভেল ফেষ্টিবেল ওফ ইন্দিজিনিস গেমস

বিষ্ণুপুর অমদি ইম্ফাল ইষ্ট মুক্না পানা তখৎনবীগী অনীশুবা রাউন্দ মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৯ ঃ

ক্রিদা ভরাটি মণিপুর প্রান্টনা শীন্দুনা থাংমৈবন্দদা লৈবা ইমা খুন্থোকহানবী শঙলেন দা চৎথরক্লিবা রঙ্গান ২০১৬ অহানবা ষ্টেট লেভেল ফেষ্টিবেল ওফ ইন্দিজিনস গেমস ঙসি নিনি চনবা নুমিৎতা পাংথোকখিবা চহি ৬৫ মথক্কী মুক্না পানা তাখৎনবী অনীশুবা রাউন্দদা ইম্ফাল ইষ্ট অমদি বিষ্ণুপুর অনীগী টিম মায় পাকখ্রে।

মুক্না পানা তাখৎনবী অসিদা দিষ্ট্রিক্ট মরিগী শান্নরোই তরেৎ তরেৎনা শরুক য়াখি।

ঙসি অনীশুবা রাউন্দগী অহানবা শান্নখিবা বিষ্ণুপুর পানানা থৌবাল পানাবু ৫–২ দা মায়থিবা পীখি।

বিষ্ণুপুর পানা অহানবা, অহুমশুবা, মরিশুবা, মঙাশুবা অমদি তরেৎশুবা মেটচতা মিনট ২, ১.৪৭, ২.২৭, ৪.২৭ অমদি ১.৩ দা থাদুনা মায়থিবা পীখি।

অদুগা থৌবালগী পানা অহানবা অমদি তরুকশুবা মেটচতা মিনট ২.২০ অমদি ৭.৩৬ তা থাবা ঙমখি।

বিষ্ণুপুর পানাগী শান্নরোইশিং অদুদি নোংমাইথেম চাওথোই, চিংঙাখম ধঞ্জয়, তোইজম অমর্জিৎ, লাইশ্রম শ্যামবাবু, য়ুম্নাম সান্তিকুমার, করাম কিষন, য়াংলেম বিশ্বরজিৎ, থৌদাম সগর অমদি খ্বাইরকপম অমরজিৎ নি।

অদুগা থৌবাল পানাগী শান্নরোইশিং অদুনা এম ননাও, টি ঐচ মিলন, ই ওলেন্দ্রো, এল সন্তি, এল অসোককুমার, টি চাওবা, এস সুন্দর, এন ব্রোজেন অমদি এম হরিদাসনি।

চপ মান্নবা চহি কাংলুপ অসিগী অনীশুবা রাউন্দগী অতোপ্পা মেটচ অমদা ইম্ফাল ইষ্টনা ইম্ফাল ৰেষ্ট পানাবু ৬–১ দা মায়থিবা পীখি।

ইম্ফাল ৰেষ্টনা অহুমশুবা বাউদতা ০.৩৭ মিনটতা থোইখি।

অদুগা অতোপ্পা বাউদ তরুক্তা ইম্ফাল ইষ্টনা ০.১২, ১.৩০, ০.৩২, ০.৫২, ২.৩ অমদি ০.২৭ মিনটতা মায়থিবা পীখি।

মায় পাকখ্রবা ইম্ফাল ইষ্ট পানাদা শরুক য়াখিবা শান্নরোইশিং দি দব্লিউ দয়ানন্দা, এন ঙম্বোইবা, দব্লিউ জেকি, এন ধনেশ্বর, এস সোমোরজিৎ, সি ঐচ হেরোজিৎ, সি ঐচ রবিচন্দ্র, এ মিলন অমদি কে ঐচ সুসিলনি।

অদুগা ইম্ফাল ৰেষ্টকী শান্নরোইশিং অদুদি টি রাজেস, কে ঐচ বসন্তা, কে ঐচ অজিৎ, ৰাই সনামচা, কে ঐচ রোমেন, দব্লিউ ধমেন, ও দাইমন, সঞ্জিট অমদি টি হুমিবাবানি।

টুর্নামেন্ট অসিগী চহি ৬৫ মখাগী মুক্না পানা তখৎনবীগী ঙসি অহানবা রাউন্দ শান্নখিবদা ইম্ফাল ৰেষ্টনা বিষ্ণুপুরবু ৫–১ অমদি থৌবালনা ইম্ফাল ইষ্টপু ৬–১ দা মায়থিবা পীখি।

বিষ্ণুপুর অমদি ইম্ফাল ৰেষ্ট অনীনা শান্নখিবদা বিষ্ণুপুরগী মাইকৈদা তরেৎশুবা বাউদতা মিনট ৩.৩৯ দা থাবা ঙমখি। অদুগা ইম্ফাল ৰেষ্টনা অহানবগী বাউট মঙা মিনট ১.২৩, ০.৩৮, ৭.৩৪, ১.৪০ অমদি ০.৩ দা থোইবা ঙমখি। অমসুং তরুকশুবা বাউট শান্নখিবদা টিম অনীমক্কী মাইকৈদা থান্নবা ঙমদনা লোইশিনখি।

অতোপ্পা থৌবাল অমদি ইম্ফাল ইষ্ট শান্নখিবদা থৌবালনা বাউট তরুক ৩.১৯, ১.৩৮, ১.২৩, ৮.৩৫, ০.১২ অমদি ৬.৪ মিনটতা থাবা ঙমখি। অদুগা ইম্ফাল ইষ্টনা অহুমশুবা বাউটকী শান্নবদা মিনট ৯.১১ দা থাবা ঙমখি।

মায় পাকখ্রবা ইম্ফাল ৰেষ্ট পানাগী শান্নরোইশিং অদুদি এল বিনোদ, এল ঝগদিস, এন কে সোমোরজিৎ, এ সোমোরেন্দ্রো, এন নাওবা, এস মংলেম্বু, এম সুরেস, দব্লিউ অজয় অমসুং এ দয়ানন্দনি।

অদুগা থৌবালগী শান্নরোইশিং অদুদি টি অমুথোই, এল রঞ্জিৎ, এল অমু, এ মলেমঙান্বা, এম সগর, এম ইঙো অমদি নাওবা নাওরেম্নি।

ঙসি অনীশুবা নুমিৎকী পাংথোকখিবা থৌরমদা ভারত সরকারগী কলচরেল এন্দ টুরিজম মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ডাক্টর মহেস শর্ম্মা, আর এস এস ইম্ফাল বিবাক শঙচলক থোঙবম মৈথে সিংহ, রিতয়র্দ আই পি এস এম সন্তিকুমার সিংহ অমসুং মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চান্সেলর প্রোফেসর এন খাগেন্দ্র সিংহ না চিফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওন্নরশিং ওইখি।

এ আই এফ এফ না জয়চন্দ্র অমদি রোপেন্দ্রো খল্লক্লে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৯ ঃ

এ আই এফ এফ না খল্লকৄবা এম জয়চন্দ্র

মেঘালায়াগী কোনুং শিল্লোংদা পাংথোক্কদবা ২৩ শুবা মেঘালায়া ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্টতা মেটচ ওফিসিয়েল ওইনবগীদমক ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন্না মণিপুরদগী ওফিসিয়েল অনী খল্লক্লে।

ওফিসিয়েলশিং অদুদি এম জয়চন্দ্র সিংহনা মেটচ কম্মিসনর ওইনা অমসুং এল রোপেন্দ্র মৈতৈনা রেফরি ওইনা শরুক য়ানবগীদমক খল্লক্লে।

মখাতানা মখোয় অনীমক্না নবেম্বমর ৮ দা টুর্নামেন্ট মফমদা রিপোর্ট তৌরনবা খঙহল্লক্লি।

মখাতাবা অকুপ্পা মারোলগীদমক ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনগী জেনরেল সেক্রেটরগী ওফিসতগী খঙলবা য়াগনি।

৭ শুবা মিষ্টর অমদি ৪ শুবা মিস কংলৈপাক হৌদোকখ্রে

সন্তিকুমারনা জুনিয়র সুপর তোল কেতেগোরিগী টাইটল লৌখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৯ ঃ

মণিপুর অমেচর বোদি বিল্ডর এসোসিয়েসন্না শীন্দুনা নুমিৎ নিনি চুপ্পা পাংথোক্কদবা অহানবা ফিটনেস, ৭ শুবা মিষ্টর অমদি ৪শুবা মিস কাংলৈবাক ২০১৬ ঙসি ইম্ফালগী জি এম হোলদা হৌদোকখ্রে।

ঙসি অহৌবা নুমিৎতা পাংথোকখিবা জুনিয়র সুপর তোনগী কন্টেষ্টতা এস বি বি এফ ক্বাকৈথেলগী লোংজম সন্তিকুমারনা অহানবা পোজিসন অদুগা কে এফ সি কঞ্চিপুরগী লাইশ্রম সুবাসচন্দ্র সিংহ না অনীশুবা পোজিসন অমসুং কে বি বি তেরা থিয়াম প্রেমজিৎ মৈতৈনা অহুমশুবা পোজিসনশিং তাখি।

অতোপ্পা জুনিয়র মেদিয়ম কন্টেষ্টতা রোয়েল জিম নিঙোমথোংগী হুইনিংশুবম নাওবা মৈতৈনা অহানবা, সুপর জিম খুরাইগী তেংবানবা নাওরেম্মা অনীশুবা অমসুং এস বি বি এফ ক্বাকৈথেলগী খুমন্থেম কৃষ্ণকান্তা সিংহ না অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

জুনিয়র তোল কেতেগোরিদা সুবোল ফিটনেস জিম ওইনামগী ওইনাম নেলসন সিংহ না অহানবা অমসুং সঙাই জিমগী ইরোম দয়ানন্দা সিংহ না অনীশুবা পোজিসনশিং তাখি।

জুনিয়র সোর্ট কেতেগোরিদা কে বি বি তেরাগী খুন্দ্রকপম সুরাজ সিংহ না অহানবা, সুবোল ফিটনেসকী থোংঙাম ভগিয়োনা অনীশুবা অমসুং গোল ষ্টার জিম লংথবালগী লাইময়ুম সেখোরজিৎ শর্ম্মানা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

সব–জুনিয়র সোর্ট কেতেগোরিদা এস বি বি এফ কী লাইতান্থেম দিনেসনা অহানবা, সুবোল ফিটনেসকী মুতুম সঞ্জিৎনা অনীশুবা অমসুং ৱার্ল্ড জিম য়াইস্কুলগী তুলসি দাসনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

সব–জুনিয়র মেদিয়ম কেতেগোরিদা কে বি বি গী লৈচোমবম জেমসন্না অহানবা এস বি বি এফ কী মাইবম জোন্সন্না অনীশুবা অমসুং জে বি সি শিংজমৈগী ব্রিবাসিল য়াম্বেম্না অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

সব–জুনিয়র তোল কেতেগোরিদা দিবাইন ফিজিক জিমগী হুইরেম সঞ্জয়না অহানবা, লময়ানবা জিম য়াইরিকোপকী কৈশাম মিজেন অনীশুবা অমসুং কে এফ সি গী লাইশ্রম চন্দ্রমণিনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

সব–জুনিয়র কেতেগোরিদা দিবাইন ফিজিক জিমগী লাইশ্রম প্রেমজিৎনা অহানবা, ৱার্ল্ড জিমগী থাংজম সাইন্টিসনা অনীশুবা অমসুং কে বি বি গী লাইতোঞ্জম গুলসন অহুমশুবা পোজিসনশিং তাখি।

চহি ৫০ মথক মাষ্টরগী সোর্ট অমদি তোল কেতেগোরিশিংদা দিবাইন ফিজিক জিমগী এন জি বিরমঙ্গল সিংহ অমসুং পাৱর হাউস জিমগী ফ্রান্সিসনা অহানবা পোজিসনশিং তাখি।

মেন ফিটনেসকী সেন্টিমিটর ১৬৮ ফাওবগী কেতেগোরিদা জে বি সি গী ব্রিবসিল য়াংলেম্না অহানবা, সুপর জিম খুরাইগী তেংবানবা নাউরেম্না অনীশুবা অমসুং এস বি বি এফ কী খুমন্থেম কৃষ্ণকান্তা অহুমশুবা তাখি।

অতোপ্পা মেন ফিটনেসকী সেন্টিমিটর ১৬৮ কী মথক্কী কেতেগোরিদা কে বি বি গী লাইতোনজম গুন্সন, জে বি সি গী সুমন্তা নাউরেম অমসুং কে এফ সি গী লাইশ্রম চন্দ্রমণিনা অহানবা, অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা পোজিসনশিং তাখি।

হয়েং নোংমাইজিং নুমিৎতা ফাইনেল পোজশিং পাংথোক্লগনি।

লোইশিনবগী থৌরমদা জি নিমসকী দাইরেক্টর প্রোফেসর দেবেন লাইশ্রম্না অথোইবা মিথুংলেন, মণিপুর এমেচর বোদি বিল্ডিং এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট টি ইবোচৌবা সিংহনা থৌরম মপু, এল দি এ গী প্রোজেক্ট দাইরেক্টর এল ভগাতোন সিংহ, আই এম সি ৱার্দ নম্বর ৬ কী কোর্পোরেটর টি ইন্দ্রজিট মৈতৈ, আই এম সি ৱার্দ নম্বর ১০ কী কোর্পোরেটর সলাম টিকেন অমদি ওল মণিপুর ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্ট ৰাঙ্খেমচা শ্যামজাইনা গেষ্ট ওফ ওন্নর ওইনা শরুক য়াগনি।

অম্ফানা খঙহল্লক্লি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৯ ঃ

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন্না শীন্দুনা পাংথোক্কদবা ২০ শুবা সব–জুনিয়র বোইজ ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ফোর্ম থাজিনবগী অরোইবা মতম ওক্টোবর ৩১ ফাওবা শাংদোকখ্রে হায়না প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

মখাতানা ওক্টোবর ৩১ গী অয়ুক পুং ১১ তাবা মতমদা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনগী ওফিসতা পাংথোক্কনি তৌরম্বা মেনেজর মিটিং লাক্লিবা নবেম্বর অনীদা হান্নগী মফম অমদি মতমদা পাংথোক্লগনি হায়না মখা তারক্লি।

মরকসিদা জর্ম্মনিদা পাংথোক্কদবা প্রেমিয়ার কোলাবোরেটিব ফুটবোল ত্রেনিং প্রোগ্রামগীদমক টাটা ষ্ট্রস অমদি য়ু স্পোর্টসনা মণিপুরগী খনগৎখ্রবা নুপামচা ফুটবোল্লরশিংবু ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনগী ওফিসতা লাক্কুনা এসোসিয়েসন অসিগী এসিসটেন্ট জেনরেল সেক্রেটরী এল জোতিরমোই রোইবু উন্নবা খঙহল্লক্লি।

মণিপুর সাইক্লিষ্ট টিমগী মমিং লাওথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৯ ঃ

উত্তর প্রদেসকী অলিগরদা নবেম্বর ৫ দগী ৮ ফাওবা পাংথোক্কদবা ২১ শুবা নেসনেল রোদ সাইক্লিং চেম্পিয়নসিপ্তা শরুক য়ারুনবা মণিপুর নুপামচা সাইক্লিষ্ট ৮ অমদি নুপীমচা ৫ পুন্না সাইক্লিষ্ট ১৩ গী মমিং লাওথোকখ্রে।

শান্নরোইশিং অদুদি নুপামচাগী জুনিয়র কেতেগোরিদা সি দি ও গী কে টিবাসন সিংহ অমসুং সাই আর সি গী গোজেন্দ্রো য়েংখোম্নি। অদুগা নুপামচাগী সব–জুনিয়র কাংলুপ্তা ৰাই পি ঐচ য়ু গী চোংথাম নিশন, য়ু এস এ গী নোংপোকঙান্বা ৰারেপ্পা, এস সি এ গী কৈথেনলাকপম জেমস সিংহ অমদি নেরোকাগী নিংথৌজম প্রেমজিৎনি।

নুপামচাগী য়ুঠকী কাংলুপ্তা ই এস য়ু গী রোনাল্ডো লাইতোঞ্জম অমদি ইলাংবম লণচেন্বনি।

নুপীগী সেনিয়রগী কাংলুপ্তা এস সি এ গী আর কে অবে দেবী অমসুং সাই আর সি গী এম সোনালি চনুনি। অদুগা নুপীমচাগী য়ুঠ কেতেগোরিদা সাই অসিগী তাখেল্লম্বম অঞ্জলি দেবী, ৰাই এফ য়ু গী এন বিসেশ্বরি চনু অমসুং এস সি এ গী আর কে রবিকিনি।

চেম্পিয়নসিপ অসিদা আর কে পোলেন্না মণিপুর টিমগী কোচ অমদি মেনেজর পুন্না ওইদুনা শরুক য়াগনি।

মণিপুর টিম উত্তর প্রদেসকীদমক লাক্লিবা ওক্টোবর ৩১ দা ইম্ফাল থাদোক্লগনি হায়না মণিপুর সাইক্লিং এসোসিয়েসনগী সেক্রেটরী ঐচ বিক্রমজিৎ সিংহ না প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

সুট্টর হিনা সিধু ইরান ইভেন্টতা য়াওররোই

হিনা সিধু

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ২৯ ঃ

ইরানগী কোনুং টেহরানদা দিসেম্বর থাদা পাংথোক্কদবা এসিয়ান এয়রগন সুট্টিং চেম্পিয়নসিপ্তা ইন্দিয়াগী পিষ্টোল সুট্টর হিনা সিধু শরুক য়াররোই।

মহাক্না চেম্পিয়নসিপ অসিদা শরুক য়াখিদবগী মরমদি চেম্পিয়নসিপ অসিদা শরুক য়াগদবা নুপী এঠলিটশিংনা শুইশোই শোইদনা মকোক খুমগদবনি হায়বা হিজাব রুল অদুগী ময়োক্তনি।

হান্নগী ৱার্ল্ড নম্বর ৱান হিনাম না ফোংদোকখিবদা নুপী এঠলেটশিংবু মকোক খুমহনবা হায়বসি স্পোর্টসকী থৌনাগী ময়োক্তনি।

মহাক্না মখা তানা ফোংদোকখিবদা স্পোর্টস হায়বসিদি মীওইবগী তৌবা ঙম্বা, অখাং কনবা উৎথোকপা অদুনি।

মখাতানা ইন্দিয়া রিপ্রজেন্ট তৌদুনা ওলিম্পিক অনী শরুক য়াখ্রবা সুট্টর অসিনা মহাক্কী চেম্পিয়নসিপ অসিদগী তোকপগী অইবা ৱারোলশিং নেসনেল রাইফলস ওফ ইন্দিয়াদা পীশিনখ্রে।

বিসাখাপটনমদা ঙসি শান্নখিবা ৱান দে ইন্টরনেসনেল মেটচতা ইন্দিয়ানা ন্যু জিলেন্দবু রন ১৯০ দা থোইদুনা সেরিজ ৩–২ দা মায় পাকখ্রে

ৱিন্নর্স কপ শান্নরগনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৯ ঃ

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন্না শীন্দুনা চৎথরক্লিবা ২১ শুবা থাংজম বিরচন্দ্র–মাইপাকপী নিংশিং ৱিন্নর্স কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী মেটচ অনী নোং চিংনা মরম ওইরগা য়ৈথোকখিবা অদু লাক্লিবা তাং তাং ৩১ দা শান্নরগনি।